www.prepp.in

Prepp Your Personal Exams Guide

94. রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা অহানবা ফম্বাল কাবসি -

(1) ইং কুমজা 1729 দগী হৌরগা 1761 ফাওবনি।

(2) ইং কুমজা 1759 দগী হৌরগা 1761 ফাওবনি।

(3) ইং কুমজা 1859 দগী হৌরগা 1861 ফাওবনি।

(4) ইং কুমজা 1758 দগী হৌরগা 1771 ফাওবনি।

95. আলোংপায়ানা করম্না শক্তি হেনগৎখিবগে ?

(1) লৈবাক মচাশিংবু খোপচিন্দুনা সোভারিন অমগী মখাদা থমখিবদগীনি।

(2) লৈবাক অচৌবশিংগী মতেংনা শক্তি হেনগৎখিবনি।

(3) লৈবাক অচৌবগী মখাদা লৈগে য়ানবদগী শক্তি হেনগৎখিবনি।

(4) লৈবাক মচা তানা সাসন পায়বদগীনি।

96. করি থাগী করি নুমিত্তা ফম্বাল তোংখিবগে ?

(1) শজিবুগী তরেৎনি পানবা য়ুমজকৈশ নুমিৎতনি।

(2) শজিবুগী তরুকনি পানবা শগোলশেল নুমিত্তনি।

(3) শজিবুগী তরেৎনি পানবা শগোলশেল নুমিত্তনি।

(4) শজিবুগী তরানি পানবা শগোলশেল নুমিৎতনি।

97. ভাগ্যচন্দ্রনা মাইথিখিবা মরম অমদি করিনো ?

(1) অৱাদা চাইনানা লান তানবা হায়বদগীনি।

(2) আলোংপায়ানা লৈবাক মচা-মচা খোপচিন্দুনা শক্তি খংহেন হেনগৎখিবদগীনি।

(3) অৱাগী কাংবুনা চাইনাগী মতেং লৌবদগীনি।

(4) আলোংপায়ানা অহোমগী মতেং লৌরগা শক্তি হেনগৎখিবদগীনি।

98. ওইথোকত্রবসু খঙনা খঙনা হায়বদি ৱাহৈ পরেংশিদা য়াওরিবা খঙনা খঙনা হায়বসি -

(1) নাউননি। (2) এদজেক্তিবনি। (3) এদভার্বনি। (4) ভার্বনি।

99. কনা কনানা অৱাদা মতেং পাংখিবগে ?

(1) ফ্রেন্স অমসুং জপাননা মতেং পাংখি।

(2) ফ্রেন্স অমসুং পর্তুগীজনা মতেং পাংখি।

(3) ফ্রেন্স অমসুং স্পেননা মতেং পাংখি।

(4) ফ্রেন্স অমসুং চাইনানা মতেং পাংখি।

Prepp Your Personal Exam Guide

Prepp
Your Personal Exams Guide

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু - ৱাহং (100-105) ঃ**

পোক্লকখি অথৌবদি অথৌবা ওইনা
শেমখিদে কনানসু মখোয়বু অথৌবা ওইনা
অদুননি লাওখিবা মতীং থোক্না
নোংমদা পোকপা মচানা
নিনি শিবা হৌনদে।
নখোয়না উরিবনা নীংতম্বা
নতুংদা ইন্নরক্লিবনা অশিবা
চৎখি নীংতম্বগী লম্বীদা নখোয়না
চায়র চায়রদুনা লৈবাক নিংবগী ঈখেঙ
অদুননি নীংশিংনহৌরিবা অহিংবা অমগুম।

**100.** পীরিবা শৈরেং অসিদা কবিনা ফোঙদোকপা পামলিবসি -

(1) নোংমদা পোকপা মচানা নিনি শিবা হৌনদে।

(2) ইমা লৈবাকনা থৱায়দগী হেল্লি।

(3) লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপবু অথৌবা কৌই।

(4) লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকখিবা মখোয়দি অহিংবা কৌই।

**101.** “চায়র চায়রদুনা লৈবাক নীংবগী ঈখেঙ” - হায়রিবসিনা করিবু ফোঙদোকপগে -

(1) করিমত্তা হেক তৌদবা।
(2) লৈবাক্কীদমক হোৎনখিবা।
(3) লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকপা।
(4) ঈ চায় চায়দুনা চৎখিবা।

**102.** নোংমদা পোকপা মীওইবনা কয়ারক শিবা হৌনদবগে ?

(1) নিনি শিবা হৌনদে।
(2) অমুক্তং শিবা হৌনদে।
(3) হুমনি শিবা হৌনদে।
(4) কয়ারক শিবা হৌনদে।

**103.** অথৌবা ওইনবগীদমক শেম্বী শাবিরকখিবরা ?

(1) য়াওরকখি।
(2) শেম্বীরকখি।
(3) শেম্বীরকখিদে।
(4) লোয়নরকখি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**115.** মখাদা পিরিবা তম্বগী মওংসি গ্রুপ খরগী মহৈরোইশিংদা পি। মসিগী ৱাহৈ তম্বগী এক্তিভিতিসি করি হায়না খংনবগে হায়য়ু। মখাগীসিদগী ৱাহৈশিং, ফ্রেজশিং মরি লৈনবদু পুথোকউ।

ফেমলি    রিলেসনসিপ    ফিলিং

(1) ৱার্দ ৱেবনি।
(2) থিমাতিক ভোকেবুলারিনি।
(3) ৱার্দ ক্লস্তরনি।
(4) ক্লস্তর ভোকেবুলারিনি।

**116.** তম্বীবগী মেথদ অমদা ওজা অমগা মহৈরোই মরিগা পুন্না তম্মীন্নবা রোল মখল কয়াগী শেম্মী/ টেক্সকী মচাকশিংদা ৱারি-ৱাতাই শান্নদুনা পাবা হৈবা হেনগৎহনলি। মসিগী মেথদসি -

(1) মোদেল রিদিংনি।
(2) গ্রামার ত্রান্সলেসন মেথদনি।
(3) রেসিপ্রোকেল টিচিং নি।
(4) স্ত্রকচরেল এপ্রোচনি।

**117.** ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা লোন সি

(1) ইন্তরপরসনেল লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।
(2) কোগনিতিভ একাদেমিক লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েন্সিনি (CALP)।
(3) বেসিক ইন্তরপরসনেল কম্যুনিকেসন স্কীল নি (BICS)।
(4) কম্যুনিকেতিভ লেঙ্গ্যাজ স্কীলনি।

**118.** অৱাৎ-তপা মেনখৎপগী তম্বীবসি -

(1) লোনগী পেপরদা স্কোর হেনগৎনবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা হোৎন্নবনি।
(2) মহৈরোইশিং লোন তম্বগী অৱাৎপা লৈবশিংদা পূক্নিং চিংশিনবনি।
(3) লোন তম্নবগীদমক ওজাশিংনা তম্বীবগী মওং মহৈরোই খরগী হোংদোকপনি।
(4) মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা লোন খংনবগীদমক তম্বীবা মওং হোংদোকপনি।

**119.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা অশেংবা সাইন লেঙ্গ্যাজ নত্তবগে ?

(1) সাইন লোনগী গ্রামার লৈ।
(2) সাইন লোনগী মখল য়াম্না লৈ।
(3) সাইন লোনসি মহৌশাগী লোননি।
(4) সাইনা লোনগী গ্রামার লৈত্তে।

**120.** পাকশন্নাপাবগী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী করম্বা নত্তবগে ?

(1) নুংঙাইবগী পাবা
(2) ফজৈ হায়বা খংনবগী পাবা
(3) মসি ওইথোকপা য়াই খংনবা পাবা
(4) গ্রামার তমনবা পাবা

123. মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতিসি কনাগী মশুনুপানো ?

(1) ভাগ্যচন্দ্র। (2) গরিবনিৱাজ। (3) সুরচন্দ্র। (4) চুরাচান্দ।

124. য়ুম খরদি ৱাংনা অমসুং চাওনা শাই। মসি -

(1) এডভার্ব মরীনি। (2) এডভার্ব অমনি।

(3) এডভার্ব অনিনি। (4) এডভার্ব অহুমনি।

125. কেপিটেল (কোনুং) ময়াদা কনা কনা লৈবগে ?

(1) লাইরবা ইনাকখুনবা খুদিংমক লৈ।

(2) মীপুম তিংনা লৈ।

(3) ইনাকখুনবা মী খুদিংমক লৈ।

(4) নিংথৌ অমদি লৈবাক্কী য়াইতোং খমদোংবা লৈ।

126. চরোৎ অমসুং চরুখোক্লা কুপ্পা য়ুমশিংশি কনাগীনো ?

(1) মরাল লৈবা মীশিংগী য়ুমশিংনি। (2) অঙম অথৌ খনবা মীশিংগী য়ুমনি।

(3) অথাপ্পদগী লাকপা মীশিংগী য়ুমনি। (4) মীচম প্রজাগী য়ুমশিংনি।

127. চন্দ্রকৃতিনা অনিরকশুবা ওইনা পানবসিদা করম্বা মফমশিংদা য়ুমলৈ কৈরৈ চাওখৎপগে ?

(1) মণিপুরগী অয়াম্বা শরুকশিং চাওখৎলি।

(2) মতমদুগী ইম্ফালগী শরুকশিং লৌইন্মক চাৎখৎলি।

(3) মপুং ওইনা কোনুং অমসুং মাগী অকোইবগী শরুক শিংনি।

(4) কোনুংদগী থাপতোকখ্রবা মফমশিংদু চাওখৎলি।

128. খৃঃ 1873 দা সদর ষ্টেসনগী ওইনা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা মীশিংসি কয়ানো ?

(1) চাওরাক্লা 34,500 মুকনি হায়। (2) চাওরাক্লা 35,000 মুকনি হায়।

(3) চাওরাক্লা 35,400 মুকনি হায়। (4) চাওরাক্লা 30,000 মুকনি হায়।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**131.** কোনুংদা গোবিন্দগী সেবা কাদবা বামোনগী মখুৎ চাদ্রিবসি কনানো ?

(1) শ্যামা। (2) নবকিশোর। (3) নবকুমার। (4) শ্যামসুন্দর।

**132.** দুহোন ৱাহৈ অসিগী চান্নবা ৱাহন্থোক পীয়ু।

(1) ইচম চম্বা মী। (2) বামোন।

(3) চাক থোংনবা মী। (4) কোনুং কাদুনা চাক থোংবা মী।

**133.** শ্যামসুন্দর করি ওইরম্বগে ?

(1) করিসু ওইরমদে। (2) কোনুংগী দুহোন ওইরম্মী।

(3) দরবার মেম্বর ওইরম্মী। (4) ইচম চম্বা মী ওইরম্মী।

**134.** শ্যামসুন্দরনা করিগীদমক থবক তোক্লকখিবগে ?

(1) ইমুং মনুংগা খৎনরকপদগী। (2) মেম্বর অতৈগা খৎনরুবদগী।

(3) অমাং অশেং য়াম্না খায়রুবদগী। (4) শেল চারুই হায়বদগী।

**135.** 'বৈষ্ণব' ৱাহৈ অসিদা সিলেবল কয়া য়াওবগে ?

(1) মরী। (2) অমা। (3) অনি। (4) অহুম।

**136.** মখাগীশিংসিদগী ফজনা ইবা তম্বগা মরি লৈনবসি -

(1) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - দ্রাফ্ট শেম্বা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

(2) ব্রেনস্তোর্মিং - ওউতলাইন শেম্বা - দ্রাফ্ট শেম্বা - পোইন্ট ইশিনবা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

(3) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট ইশিনবা - দ্রাফ্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

(4) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট ইশিনবা - দ্রাফ্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - অরোইবা শেম্বা

**137.** থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মতাংদা করম্বনা চুম্বগে ?

(1) অঙাং লোইনমক মমালোন্দা/য়ুমগী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

(2) অঙাং লোইনমকনা স্কুলদা ইংলিশ মেদিয়মদা/য়ুমগী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই/অদুদগী হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনিগা হাপচিনলকই।

(3) অঙাং লৌইনমক নখোয়গী স্টেটকী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

(4) অঙাং লোইনমক ওফিসিয়েল লোন হিন্দিদা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

Prepp Your Personal Exam Guide

www.prepp.in

**148.** ত্রান্সলেঙ্গ্যুজিংসি করিনো?

(1) মসি লেঙ্গ্যাজ-ইন-পোলিসি হায়বদি স্কুলদা লোন ময়াম তম্বীবদুনি।

(2) লোন তম্বা অমসুং তম্বীবদা লোন অমদগী লোন অমদা চোংবদুনি।

(3) লোননা মতম অমগী মনুংদা হোংলকপদুনি।

(4) ক্লাসরুমদা লোন অমদগী হেন্না মচাক ওইনা তম্বীবদা শিজিন্নবদুনি।

**149.** লোন তম্বগী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(1) অহান্বা লোন তম্বগা অনিশুবা লোন তম্বগা পুৱা খেন্নে।

(2) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা লোন অনিশুবা তম্বদা অয়েৎপা পি।

(3) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা অনিশুবা লোন তম্বদা।

(4) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা অনিশুবা লোন তম্বদা মতেং ওই।

**150.** একাদেমিক লোন্দা ফজনা হৈবা নত্ত্রগা তোঙান-তোঙাবা মচাকশিংগী লোন্দা হৈবসিবু -

(1) কোগনিতিভ একাদেমিক লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।

(2) ইন্তরলিঙ্গ্যাল প্রোফিসিয়েন্সি কৌই।

(3) বেসিক ইন্তরলিঙ্গ্যাল কম্যুনিকেসন স্কীলনি (BICS)।

(4) কম্যুনিকেতিভ লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।

- o O o -

